মণিপুর সরকার

**GOVERNMENT OF MANIPUR**

# SPEECH

# FOR SUPPLEMENTARY DEMANDS FOR GRANTS 2025-26

**BY**

**SHRI Y. KHEMCHAND SINGH**
**HON'BLE CHIEF MINISTER**
**(in-charge Finance)**
**09 March, 2026**

ইকাইখুম্নজরিবা চিফ মিনিষ্টর
শ্রী ৱাই খেমচান্দ সিংহ
(ইন-চার্জ ফাইনান্স) - না
সপ্লিমেন্টরি দিমান্ডস ফোর গ্রান্টস ২০২৫-২৬ কী
থমবিগদবা ৱারোল
মার্চ ৯, ২০২৬

**Mr. Speaker Sir,**

I rise to present the Demands for Supplementary Grants for the year **2025–2026**.

2. At this juncture, I do not propose to deliberate on the overall financial position of the State and the state of the economy. These aspects will be taken up in detail when I present the **Budget for the year 2026–2027**.
3. The Supplementary Grants now sought amount to **Rs. 3,261 crores**, covering **30 Demands and 2 Appropriations**. Out of this, **Rs. 481 crores** is charged on the Consolidated Fund of the State, and **Rs. 2,779 crores** is to be voted by this Hon'ble House.
4. I shall now briefly explain the reasons for these Supplementary Demands. The additional provisions are necessitated largely on account of **pensionary charges**, including the clearance of backlog pensionary benefits of retired Government employees and backlog Grants under 15$^{th}$ FC for Local Bodies. The Supplementary Grants also includes provision for recoupment of State Contingency Fund and allocation of funds for **critical projects and schemes**, as well as enhanced provisions under **Centrally Sponsored Schemes**, necessitated by the implementation of the **SNA SPARSH mode of fund transfer** by the Government of India.
5. Further, due to restrictions on **re-appropriation of funds from Revenue to Capital Account and from "Voted" to "Charged" and vice versa**, it has become necessary to seek additional provisions through the Demands for Supplementary Grants.
6. The State Government continues to take all necessary measures to contain and control avoidable expenditure. The additional funds

sought are only to meet **minimum, critical, and urgent requirements**.

7. With this brief explanation, **Mr. Speaker Sir**, I lay before this August House the **Supplementary Demands for Grants for the year 2025–2026** for consideration and passing.

----------------

মিষ্টর স্পিকর সার,

ঐহাক্না চহী ২০২৫–২৬গী দিমাণ্ডস ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্ট লান্থোকচরি।

২. ঐহাক্না ষ্টেট অসিগী ওভরওল ফাইনান্সিএল পোজিসন অমদি ষ্টেট অসিগী ইকোনোমি অদু মতাং অসিদা শন্দোক্না থমজররোই। মসি ঐহাক্না ইং ২০২৬–২৭গী বজেট থমজবা মতমদা পঞ্জরক্লগে।

৩. হৌজিক নীজরিবা সপ্লিমেন্টরি গ্রান্টকী শেনফম অসি দিমাণ্ড ৩০ অমদি এপ্রোপ্রিএসন ২ কোভর তৌনবগীদমক্তা লুপা কোটি ৩,২৬১ নি। মসিগী মনুংদা, লুপা কোটি ৪৮১না রাজ্যগী কোন্সোলিদেটেদ ফণ্ডদগী চার্জ তৌবনি অমদি লুপা কোটি ২৭৭৯না হাউস অসিনা ভোটেদ তৌগদবনি।

৪. করিগীদমক্তা সপ্লিমেন্টরি দিমাণ্ডশিং অসি থল্লিবনো হায়বগী মতাংদা ঐহাক্না তেন্তক্না থমজগে। সপ্লিমেন্টরি দিমাণ্ডশিং অসি

পেন্সনরি চার্জেজ, মরুওইনা হান্নগী বেকলোগ লৈহৌবা রিতইয়র্দ তৌখ্রবা সরকারগী করমচারিশিংগী পেন্সনরি বেনিফিসটশিং পীবা অমদি ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী লোকেল বোদিশিংগী বেকলোগ লৈহৌবা গ্রান্টশিং পীথোক্লনবনি। সপ্লিমেন্টরি গ্রান্ট অসি ষ্টেট কন্টিঞ্জেন্সি ফণ্ড রিকুপমেন্ট তৌনবা অমসুং মরুওইবা প্রোজেক্ট অমদি স্কীমশিংগী ফণ্ড এল্লোকেট তৌনবা প্রোভিজন য়াওরি লোয়ন–লোয়ননা ভারত সরকারগী মতুং ইন্না এসএনএ–স্পার্স কী ফণ্ড ত্রান্সফর মখাদা সেন্ত্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কীমশিংগী প্রোভিজনশিং এনহান্স তৌনবনি।।

৫. মখা তানা রেভিন্যু টু কেপিটেল একাউন্ট এণ্ড ফ্রোম ভোটেদ টু চার্জদ অমদি ভাসি–ভর্সা ফণ্ডশিং রিএপ্রোপ্রিএসন তৌবদা অকক্লবা লৈবনা, দিমাণ্ডস ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্টশিংগী খুত্থাংদা অহেনবা প্রোভিজনশিং নিরকপা অসি তঙাই ফরক্তবনি।

৬. রাজ্য সরকার অসিনা কান্নদবা চাদিং হন্থহনবা অমদি হেনগৎহন্দনবা তঙাইফদবশিং লৌখৎকনি। অহেনবা ফণ্ডশিং

নীজরিবা অসি চঙদবা য়াদ্রবা, মরুওইবা, অমসুং খুদক্কী ওইবা তঙাইফদবশিং অদুগীদমক্তা নিজবনি।

৭. তেন্তকপা ৱারোল অসিগা লোয়ননা, মিষ্টর স্পিকর সার, ঐহাক্না ঙসিগী চীং লেম্লবা হাউস অসিদা সপ্লিমেন্টরি দিমাণ্ডস ফোর গ্রান্টস ২০২৫–২৬ অসি খন্নবিনবা অমদি পাস তৌবিনবা থমজরি।